HUEIYEN LANPAO

Saturday, June 05, 2021, Imphal



## লায়না চেল্লকপা কোভিদ পেসেন্টশিং হোম ক্বারেন্টিন তৌদনবা হায়খ্রে

গুৱাহাটি, জুন ০৪ (এজেন্সী):

মশাদা হান্নদগী অরুবা লায়না কয়া চেল্লকপা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিং হোম ক্বারেন্টিন তৌহন্দনবা অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মানা ইরাই নুমিত্তা ষ্টেট হেল্থ দিপার্টমেন্টতা ইন্সত্রক্সন পীখ্রে।

অসিগুম্বা পেসেন্টশিং হোম ক্বারেন্টিন তৌহনবগী মহুত্তা ইন্সটিট্যুসনেল ক্বারেন্টিন ফেসিলিটিশিংদা ওইনা থম্নবা মহাক্না দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংদা মখা তানা খঙহনখি। ইরাই নুমিত্তা গুৱাহাটিদা লৈবা সেক্রেটরিয়েট বিল্ডিং জনাটা ভবনদা ওফিসিএলশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা চীফ মিনিষ্টর সর্মনা ইন্সত্রক্সন অসি পীখিবনি।

কোভিদ-১৯ রিভিয়ু মিটিং অদুদা ষ্টেট হেল্থ মিনিষ্টর কেশাব মহন্তসু শরুক য়াখি। মীফম অদুদা সর্মনা ফোঙদোকখিবদা পোজিটিভ ওইবা অমসুং লায়না অসিনা মী শিহনবগী চাং হন্থনবা মশাদা হান্নদগী লায়না চেল্লকপা চহী গ্রুপ খুদিংমক্কী মীওইশিং ইন্সটিট্যুসনেল ক্বারেন্টিন ফেসিলিটিদা থমগদবনি।

পাউতাক অসি পীবগা লোয়ননা মহাক্না হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংদা মহাক্না ষ্টেট অসিগী প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা কোভিদ-১৯ লায়েংবগী রেটশিং লেপনবসু ইন্সত্রক্সন পীখি।

অসামদা চথরিবা ভেক্সিনেসন প্রোসেসকী মতাংদা পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংদা ভেক্সিনেসনগী দ্রাইভ হেন্না য়াংশিনহন্দুনা খ্বাইদগী লুবা মতমগী মনুংদা মী মশীং য়াম্না ভেক্সিন কাপথোক্লবা খঙহনখ্রে।



থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিয়েসন অমদি নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী ও সী কে প্রেমকুমার মঙাংগা খুৎশম্নদুনা দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফ্যর ফন্দদগী থৌবালগী এস পি ডা. এস ইবোমচাগী মীৎয়েং মখাদা ভি দি এফ টি ঐচ প্রেমজিৎতা লুপা ১৫,০০০ গী মতেং পাংখিবা

## ঐচ আই ভি, হেপাটাইটিস কুম্না কোভিদ-১৯ দি মমাদগী নৌনা পোকপা মচাদা শন্দোক্তে: এক্সপার্টশিং



অগরটালা, জুন ০৪ (এজেন্সী):

ত্রিপুরাদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা নুপী ২৫০ রোম মশা মউ ফবা অঙাংশিং উন্নখি হায়রদুনা ষ্টেট অসিগী ডোক্তরশিং অমসুং এক্সপার্টশিংনা ক্লেম তৌখ্রে মদুদি মমা কোভিদ পোজিটিভ ওইরবসু লায়না অসি মহাক্না নৌনা পোকপা মচাদা শন্দোক্তে।

অগরটালা গভর্ণমেন্ট মোদিকেল কোলেজ (এ জি এম সী) গী মাইক্রোবাইওলোজি দিপার্টমেন্টকী মকোক টাপন মজুমদারনা হায়, কোরোনা ভাইরসনা শন্দোকপা কোভিদ-১৯ অসি লৌনগনবা লায়না অমা ওইরবসু ইন্দিয়াদা লায়না অসি পল্লবা মমানা নৌনা পোকপা মচাদা লায়না অসি শন্দোকপগী কেস থেংনদবা অসি পোজিটিভ ওইবা দিভলপমেন্টনি।

কোরোনা ভাইরস চঙবা য়াবা রিসেপ্তর প্লাসেন্তাদা য়াওদবনা মরম ওইদুনা ভাইরস অসি মমাদগী মচাদা শন্দোকপা ঙমদবনি। তৌইগুম্বসুং ঐচ আই ভি অমসুং হেপাটাইটিস পোজিটিভ ওইবা মমাশিংদগীদি নৌনা পোকপা মখোয়গী মচাশিংদা ভাইরসশিং অসি শন্দোকই।

এ জি এম সীগী প্রোফেসর অমসু ওইরিবা মজুমদারনা মখা তানা হায়, হৌখিবা চহীদগী ঐখোয়না থেংনরিবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী ৱেভ অনীদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবী মীরোনবী নুপী ২৫০ রোম্না ত্রিপুরাগী কোভিদগী মরু ওইরিবা হোস্পিটালসু ওইরিবা এ জি এম সীদা মশা মউ ফরিবা অঙাং ২৫০ রোম পোকখি।

অহানবা ৱেভতা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবী নুপী ২১৪ না মশা মউ ফরিবা অঙাংশিং পোকখি অমসুং অনীশুবা ৱেভতনা অসিগুম্বা নুপী ৩৫ না মশাদা লায়না তিননা অমত্তা চেন্দবা অঙাংশিং পোকখি। নোরমেল ওইনা অঙাং উন্নখিবগী মথক্তা সিজরিয়ন দেলিভরিগী কেস কয়াসু য়াওখি হায়না এ জি এন সীগী দিপার্টমেন্ট ওফ ওপষ্টেট্রিক্স এন্দ গাইনিকোলোজিগী মকোক জয়েন্ট রেনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হোস্পিটালদা এদমিট তৌদ্রিঙৈগী মাংওইননা মীরোনবী নুপী খুদিংমক কোভিদ টেষ্ট তৌই। পোজিটিভ কেস থেংনরবদি মথৌ তৌবা হেল্থ প্রোটোকোলশিং ঙাক্না চৎহল্লি। ইমুংগী মীওইশিং অমসুং মরী মতানা চিংবশিং না হেন্না চেকশিনহন্দুনা অঙাং অমদি মমাগী মনাক্তা য়ারিবমখে চঙন্দে। অনীশুবা কোভিদকী ৱেভ অসিগী অরুবা ফীভম য়েংদুনা ফিজিসিয়ন অমনা ষ্টদি গ্রুপশিং শেমদুনা লায়না অসিবু কুপ্না নৈন্নবগী ৱাফম হৌদোকখি।

## খাসি, গারো লোলশিং য়াওহন্নবা তকশিনখ্রে


শিলোং, জুন ০৪ (এজেন্সী):

মেঘলয়াগী শিলোং কন্সিটিট্যুয়েন্সিগী লোক সভা এম পি ভিনসেন পালানা সেন্তরদা খাসি অমসুং গারো লোলশিং অসি সী বি এস ঈ (সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন) গী করিকুলমদা অনীশুবা লেঙ্গুয়েজ ওপসনশিং ওইনা য়াওহন্নবা তকশিনখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ভিনসেন পালানা য়ুনিয়ন এদুকেসন মিনিষ্টর রামেস পোখ্রিয়াল নিসাঙ্কা লেটর অমা ইদুনা হায়খি মদুদি মেঘলয়াগী অপূনবা মশীং চাদা ৭৮ লোমনা খাসি অমসুং গারো লোলশিং অসি শীজিন্নবনা লোল অনী অসি সী বি এস ঈ কারিকুলমদা য়াওহনফম থোকই। পালানা মখা তানা হায়, মেঘলয়াগী অপূনবা মীশিং অসি চাওরাক্না লাক্ষ ৩৫ রোমনি। মীশিং অসিগী চাদা ৪৭ না খাসি লোল ঙাওই, চাদা ৩০.৮৬ না গারো লোল ঙাওই অমসুং অতৈনা অতে লোলশিং ঙাই। সী বি এস ঈ করিকুলমদা নৌনা ফোঙবা লোলশিংগী লিষ্টতা খাসি অমসুং গারো লোলশিং অসি য়াওদে।

অমরোমদা লিষ্ট অসিদা মিজো অমসুং তাঙ্খুলগুম্বা মশীং য়ামদবা মীওই কাঙলূপশিংনা শীজিন্নবা লোলশিংদি য়াওরি। মিজো লোল অসি চাওরাক্না মীওই লাক্ষ ১২ না ঙাওই অমসুং তাঙ্খুল লোল অসিনা মীওই লাক্ষ ১.৮৩ না ঙাওই। খাসি অমসুং গারো লোলশিং অসি মেঘলয়াগী অমগা অমগা ফাওনবা লোলশিংনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## CROSSWORD-3800



### ACROSS

1 Aid in crime (4)
3 Tyrannical (8)
9 Young dogs (7)
10 Ravine (5)
11 Synthetic fabric (5)
12 Religious festival in spring (6)
14 Deposit that forms on teeth (6)
16 Farm livestock (6)
19 Loll (6)
21 Dark brown fur (5)
24 Motive (5)
25 Songbird (7)
26 Capsize (8)
27 Autumn (4)

### DOWN

1 Harshness of manner (8)
2 Vacant (5)
4 Simpler (6)
5 Attendants (5)
6 Torture (7)
7 Head-cook (4)
8 Austrian capital (6)
13 Postponement (8)
15 Ecstasy (7)
17 Ludicrous (6)
18 Not so fast (6)
20 Stave off (5)
22 Strong very light wood (5)
23 Reverberation (4)

**Solution 3799**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| H | E | L | P | F | U | L | | M | U | T | E | D |
| A | | O | | A | | I | | O | | I | | R |
| M | I | S | E | R | | M | O | R | O | C | C | O |
| S | | E | | R | | P | | A | | K | | N |
| T | E | R | M | I | T | E | | L | O | O | S | E |
| E | | | | E | | T | | | | F | | |
| R | E | F | O | R | M | | C | O | F | F | E | R |
| | | A | | | | O | | B | | | | E |
| C | A | L | L | S | | R | I | V | I | E | R | A |
| A | | L | | A | | A | | I | | L | | D |
| C | R | O | Q | U | E | T | | O | D | I | U | M |
| H | | U | | N | | O | | U | | T | | I |
| E | X | T | R | A | | R | E | S | P | E | C | T |

**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-3599

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | 3 | | 2 |
| | | | | | 3 | 9 | 1 | |
| | | | 1 | 9 | | 5 | | 6 |
| 2 | | | 5 | 1 | | | 3 | |
| | | 4 | | | | 8 | | |
| | 7 | | | 2 | 9 | | | 1 |
| 3 | | 2 | | 5 | 7 | | | |
| | 1 | 6 | 3 | | | | | |
| 5 | | 7 | | | | | | |

### Solution-3598

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 5 | 1 | 6 | 8 | 2 | 9 | 3 | 7 |
| 9 | 6 | 3 | 4 | 1 | 7 | 8 | 5 | 2 |
| 8 | 7 | 2 | 9 | 5 | 3 | 1 | 6 | 4 |
| 7 | 8 | 9 | 1 | 4 | 6 | 3 | 2 | 5 |
| 2 | 4 | 6 | 5 | 3 | 8 | 7 | 1 | 9 |
| 1 | 3 | 5 | 2 | 7 | 9 | 6 | 4 | 8 |
| 6 | 1 | 7 | 8 | 2 | 5 | 4 | 9 | 3 |
| 5 | 9 | 8 | 3 | 6 | 4 | 2 | 7 | 1 |
| 3 | 2 | 4 | 7 | 9 | 1 | 5 | 8 | 6 |

## EMPLOYMENT NEWS

Tamilnadu Government Judicial Department has published recruitment notification for filling up 3557 vacancies of Office Assistant / Copyist Attender / Scavenger/ Sweeper/ Sanitary Worker/ Masalchi/ Sweeper/ Gardener/ Watchman/ Scavenger/Waterman & Water women/ Night watchman-cum-Masalchi/ Watchman-cum-Masalchi/ Night watchman/ Sweeper cum Cleaner/ Office Assistant cum full time Watchman posts for various Tamil Nadu Judicial Courts. Eligible Interested candidates apply online through jrchcm.onlineregistrationform.org portal on or before 6th June 2021.

Name of the Post
Total Vacancies
Office Assistant
1912
Watchman
496
Masalchi
485
Sweeper
214
Night Watchman
186
Sanitary Worker
110
Night Watchman cum Masalchi
123
Gardner
28
Copyist Attender
03

Age Limit: (As on 01/07/2021)
18 - 30 years for General (UR)
18 - 32 years for BC / MBC
18 - 35 years for SC / ST

Vacancy Districts: Ariyalur, Chennai, Coimbatore, Cuddalore, Dharmapuri, Dindigul, Erode, Kancheepuram (including Chengalpattu district), Kanniyakumari, Karur, Krishnagiri, Madurai, Nagapattinam (including Mayiladuthurai district), Namakkal, Perambalur, Pudukkottai, Ramanathapuram, Salem, Sivagangai, Thanjavur, The Nilgiris, Theni, Tirunelveli (including Tenkasi district), Tiruvallur, Tiruvarur, Thoothukudi, Tiruchirappalli, Tiruppur, Tiruvannamalai, Vellore (including Ranipet & Tirupattur districts), Villupuram (including Kallakurichi district) and Virudhunagar.

Pay Scale / Monthly Remuneration: Level – 1 ? 15,700 – 50,000

Educational Qualifications:
Office Assistant and Copyist Attender: Minimum VIII standard Pass. Matric also eligible.
For all other posts: To able to Read and Write Tamil Language. No minimum educational qualification.

Selection Process:
Written Test
Interview

Application Fee:
500/- for General / OBC / MBC category candidates.
No fee for SC / ST category candidates.

How to Apply: Eligible candidates should apply online only. Applications submitted through jrchcm.onlineregistrationform.org or concerned district court official website. The candidates are advised to make use of Only Desktop or Laptop to apply for the posts online and not to apply through smart phone or tab. The last date for registration of online applications is 06/06/2021.

---

Bank Note Press Dewas Recruitment 2021 bnpdewas.spmcil.com: Bank Note Press Dewas (Madhya Pradesh) invites online applications from eligible Indian Nationals for recruitment of various positions of Dewas Unit. The online registration process will be start from 12th May 2021 to 11th June 2021.

India Government Mint Dewas Unit Vacancies:
Name of Post
No of Vacancies
Welfare Officer
01
Supervisor (Ink Factory)
01
Supervisor (IT)
01
Junior Office Assistant
15
Junior Technician (Ink Factory)
60
Junior Technician (Printing)
23
Junior Technician (Electrical / IT)
15
Junior Technician (Mechanical / AC)
15

India Government Mint Noida Vacancies:
Name of Post
No of Vacancies
Secretarial Assistant
01
Junior Office Assistant
03

Age Limit:
30 years for Welfare Officer, Supervisor posts.
28 years for Junior Office Assistant, Secretarial Assistant Posts.
25 years for Junior Technician Posts.

Pay Scales:
Welfare Officer: ? 29740 - 103000 (Level A-2)
Supervisor: ? 27600 - 95910 (Level S-1)
Junior Office Assistant: ? 21540 - 77160/- (Level B-3)
Junior Technicians: ? 18780 - 67390/- (Level W-1)
Secretarial Assistant: ? 23910 - 85570/- (Level B-4)

Educational Qualifications:
Welfare Officer: A Bachelors Degree + A Degree or Diploma in Social Science. Has adequate knowledge of Hindi as also of the language spoken by the majority or the workers in the factory.
Supervisor (Ink Factory): 1st Class full time Diploma in Dyestuff Technology / Paint Technology / Surface Coating Technology / Printing Ink Technology / Printing Technology. IT): First class full time Diploma in Engineering in the IT / Computer Engineering. Higher qualification i.e. B.E. / B.Tech / B.Sc. Engineering in relevant trade.
Supervisor (IT): First class full time Diploma in Engineering in the IT / Computer Engineering. Higher qualification i.e. B.E. / B.Tech / B.Sc. Engineering in relevant trade.
Junior Office Assistant: Graduate degree with at least 55% marks and Computer Knowledge with typing speed on computer in English @ 40 wpm / Hindi @ 30 wpm.
Junior Technician (Ink Factory): Full time ITI certificate in Dyestuff Technology / Paint Technology / Surface Coating Technology / Printing Ink Technology / Printing Technology along with 01 year NAC certificate from NCVT.
Junior Technician (Printing): Full time ITI certificate in Printing Trade or relevant trade. Minimum 01 year NAC certificate from NCVT.
Junior Technician (Electrical / IT): Full time ITI certificate in Electrical, Electronics along with 01 year NAC certificate from NCVT.
Junior Technician (Mechanical / AC): Full time ITI certificate in Fitter, Machinist Turner, Instrument Mechanic, Mechanic Motor Vehicle along with 01 year NAC certificate from NCVT.
Secretarial Assistant: Graduate (Bachelor's Degree) with at least 55% marks. Computer Knowledge. Stenography in English or Hindi @ 80 wpm and Typing @ 40 wpm in English or Hindi.

Selection Process:
Written Test
Interview

Application Fee: Not Specified.

How to Apply: Eligible Interested candidates should apply online through BNP Dewas official website from 12th May 2021. The last date for registration of online applications is 11/06/2021.

## নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেটশিংদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোরকপদগী মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রি

গুৱাহাটি, জুন ০৪ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী মনুং চন্না লৈবা ষ্টেটশিংদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা অচৌবা চৈথেং পীরি। লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংদসু কোভিদ-১৯ না মীওই কয়াদা চৈথেং পীরি।



হৌখিবা পুং ২৪ দা মিজোরামদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মীওই ২ শিহনখিবগা লোয়ননা লায়না লাইচৎ অসিনা হৌজিক ফাওবদা শিহনখিবা অপূনবা মশীং ৪৯ শুহনখ্রে। কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা শিহনখ্রবা মীওইশিং অনী অদুগী মনুংদা অমনা সেন্ট্রেল রিজার্ভ পুলিস ফোর্সতা থবক তৌবা মীওইনি। অদুগা অমনা চম্ফাই দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না লৈবা মফম অমদগীনি হায়না জোরাম মেদিকেল কোলেজগী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।

লৈখিদ্রবা মীওই অনী অদু অমনা মে ২৩ দা অদুগা অমনা অমদুনা মে ৫ দগী হৌরগা জোরাম মেদিকেল কোলেজতা লায়েং চথদুনা লাকখিবনি। মিজোরামদা মে ৩০ দগী হৌরগা হৌজিক ফাওবদা লেপ্লা লৈতনা মী শিরি। মে ৩০ দগী হৌরগা হৌজিক ফাওবদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ১৪ শিহনখ্রে। মিজোরামদা কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা শিহনবগী চাং অসি চাদা ০.৩৮ খক্তামক ওইরি।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা মিজোরামদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ২০৫ থেংনখিবগা লোয়ননা লায়না লাইচৎ অসিনা শোকহনখিবা মশীং ১৩,০৬৪ শুখ্রে। অদুগা হায়রিবা মতম অসিদা কোভিদ ক্যের সেন্তরদগী মীওই ৯৪ দিচার্জ তৌখি।

অসামগী ওইনসু পুং ২৪ গী মনুংদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৪,৫৪৮ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ৫৪ শিহনখি। ঙসি শিখিবা মী মশীং অসি থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা অপূনবা মশীং ৩,৫৭৭ য়ৌখ্রে। ঙসি থেংনখিবা অনৌবা কেসশিং অদু পুন্না সেম্পল ১,২৩,৫৯৩ গী মনুংদগীনি। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভিটি রেট অসি চাদা ৩.৬৮ ওইরি।

অরুনাচল প্রদেশকী ওইনসু পুং ২৪ গী মনুংদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৩৬৪ থেংখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই অমা শিহনখ্রে। ঙসি থেংনখিবা কেসশিং অদুগী মনুংদা ১১৮ না সিন্তোমেটিকনি অদুগা ২৪৬ না এসিম্তোমেটিকনি হায়রি।

